# ঐখোয়না হিংলিবসিবু করম্বা মখলগী মঙলান্নো



অচুম্বতনা মায় পাক্লকখিগনি
কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)
শোত্থরবশিংদা কত্থোকচবা

লমদম অসিদা পোক্লকখিবা ঈয়ান ওইরকখিদ্রবা কয়াদি ওন্থোক্লা ৱানা ঙসি ফাওবা হিংলি। ইমা লৈবাকপু নুংশিবা মীশিংদি পুকচেল শেংনা কত্থোকপগা লোয়ননা থবকশিং পাঙথোক্কনি। লমচৎ-শাজৎ চুমগনি। করপসনগী মমি তারোই। হৌজিক খুন্নাই অসিবু মূত্থৎনবা হোৎনরিবা কয়াগী মরুমদা মতেং পাংলিবা হংলাই হংকোক অমসুং মীরেমশিংদি ময়াং মচাশিংগী মহি মচুমদা হিংজবা কাঙলূপনি। মখোয়দি পেরাসাইটনি। মী অমত্তা নত্তে। ইজরিবা ঐহাক্তি এপ্রিল ১৯, ২০২৪দা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এম পিগী ইলেক্সন অদু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ইন্সত্রক্সনশিংগী ওন্ন-তৈনবদা পাঙথোকখিবনা ইলেক্সন ওইনা লৌজদে। থম্মোয়না নোকচরি, লীলা ময়ামসি উবদা। ইন্দিয়াদসু মণিপুরদসু মতিক চাবা মীনা মকোক ওইদে।

ইমুং অমদা খ্বাইদগী অহলনা ফত্তবদি য়াম্না ৱাই। লৈকায় অমদা ফত্তবা ইমুং অমনা লৈকায় পূম্নমক চেন্থে। অসুম্না লৈঙাক্কী লুচিং পুরেলনি হায়না মশা মতোমতনা খঞ্জবা কয়ানা মতিক চাদবদগী লৈবাকসি লোইশিনখিবগী মমি শামি উরক্লি। মীচম মীয়ামসি ৱাখল খন্থবা য়াম্না ৱাৎলি। মী অমা তিন্নবদা, খন্নবদা য়েংগদৌবদি মহাক্কী করেক্টর, অহল-লমনশিং, লাইরিক-লাইশু হৈবগী চাংনচিংবনি। ইংলিসতা হায়নরি 'ফেস ইজ দি ইন্দেক্স ওফ হার্ট' অসুম্না ঐখোয়না মী অসি হেক উবদা খরা ফাওবদি খঙবা ঙম্লি। খ্বাইদগী ওন্ন-তৈনবা অমনা হান্নসু মশীং খঙদনা ইজখ্রে। মফম অসিদদি হেক উনবদা মী অয়াম্বসি মী মাল্লম্মী। অদুগা মুন্না থিজিল্লুবদা শাগী লমচৎ-শাজৎ অয়াম্বনা ওইরম্লে। ঙসি মণিপুরদা চৎনরিবা চৎন-কাঙলোন অয়াম্বসি মালেমদগী তোঙাল্লি। অফবা-অচুম্বা থবক শেল ফংদ্রবদি পাঙথোকসি য়াদ্রি। অরানবা-ফত্তবা-মাঙগদৌবা থবক্তু শেল পীরগা পাঙথোক্লিবা ইরৈবাক্লি। শেলনা লৈবা য়ারিবা ময়ামসিবু করি চাবগে? করি থকপগে? করি খনবগে? শেলনা মীংচৎতি লৈবা য়াদবনি।

মণিপুর মীয়ামসি অঙকপা মী ঙাক্তনি। মশা মতোমতা মীনমজরগা হিংবা-হিংবী য়াম্না লৈরি। খুন্নাইসিগী মীয়ামগা খ্বাইদগী চান্নবা পোৎতি মোবাইল ফোননি। মোবাইল হায়বদি মীনম্বা হায়বা নত্তে। অথু-অকায়গী পাউ পীথোক-পীশিনগী পাম্বে ওইরিবা পোৎ মচা অমনি। অদুবু হৈনবী অমা ওইনা মোবাইল ফোন অসি মীনম্বগী ৱা লোৎফম ওইনা শীজিন্নরি। পোক্লিবা মপোকসিদা মিংচৎ থল্লম্লগা ঈজৎ লৈনা হিংগে খনবীরবদি মীনম্বা পূন্সি হিংবীগনু। অচুম্বা-অশেংবা পূন্সিদা হিংনবা মতম পূম্নমক্তা হোৎনবীয়ু। খুন্নাই হায়বসি মিংশেলনি। মিংশেলদদি মীনম্বা য়াদবনি। পূন্সিগী অশেংবা-অচুম্বা মমিদু খুন্নাইগী মিংশেলদা তাহনবীয়ু।

চহী ৩০ হেন্না মণিপুরগী মপান্দা লৈরুরগা ইমা লৈবাক অসিদা জুলাই ১৯৯৩দা থোক্লকপদা উখিবা শক্তম অদুগা নোংম-নোংমগী ফত্তবসি হেনগৎলক্লি। লূপশিং মশীং হেনগৎলক্লি। উ অৱাংবগী মহুৎ ব্রিক ৱাল-বিল্ডিংশিংনা মহুৎ শিন্নখ্রে। লৈবাক্কী খোংবালশিংগী মহুৎ ব্রিক-সিমেন্ট-নলাশিংনা ওইখ্রে। নোং তারবসু ঈশিং চেনফম লৈরমখি। খোংবালশিংসি য়াম্না পাক চাওরমখি। ময়োল পৎপগা চপ মান্নরিবা ইম্ফালগী এরিয়া অসিদা কৃক-কৃক ইন্নরগা ঙারি নন্নগা হিংবগুম্না ঐখোয় হিংলি। সিমেন্ট চল্লবা নলাশিংগী ঈশিং চেন্থফম লৈত্রে। মলেরিয়াগী লায়না শন্দোকপা কাঙশিংগী লৈফমসু চেক্না চনবীরগা ঈশিংদু লেঙদনা তুংশিল্লগা থন্বীবগা চপ মান্ননা শেল্লে। মীসু, কাঙসু চেক্কীদা হিংলি।

নোংমা-নীনি হেক নোং তারবদি লম্বী সড়কসি ঈশিংশিংগী তুংফম ওইরি। অসিগুম্বা ফীভমদা চহী কয়া হিংলগা উখিগনি। পাম্বে অমত্তা লৈত্রে খনবা য়ারিবরা! প্লান ফজনা তৌরগা শেমহৌদবদগী শোয়রিবনি। হৌজিকসু ইরায় লায়না শেমদোকপা য়ারি। হুরানবগী হান্না ৱাখল খল্লগা পোকেটতা হাপচিনবগী পুকচেল শেংনা শেমদবদগী থোক্লিবনি। অখণ্ড অহৈশিংনা শেমদোকপীয়ু।

এম এল এশিং, এম পিশিংনা কন্ত্রেক্টর ওইবগী হৈনবীসি থাদোকপীয়ু। অশোয়বশিং শেমদোকপসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ইহান হানবা ইথৌনি। ৱাফমসিদা মনুংগী মপানগী লৈফম থোক্তে। ঐখোয়সিবু ইকায়দরা - ময়াং মচাশিংনা 'এনি প্লেস ইজ বেট্টর দেন মণিপুর' হায়রিবসি। মকোক্তগীনা মমৈ-মখোঙ ফাওবদা লৈরিবশিংনা শেলদা অদুক হাক্না চোপ্পসি তৌবীরগনু। মথক য়ৌবদা ঐখোয় পূম্নমক করিসু পুদবনি। থল্লমগদৌরিবসি অফবা থবক অমসুং অফবা মিংচৎ অদুতনি।

লাইরিক পাদবা-ইদবা, পাউচে পাদবা মীবু করম্বা মখলগী মীনো? হিংলম্বগী মমি মূৎখ্রবা ঙাক্তনি। হিংনা-হিংনা অশিবগা চপ মান্নরবা মী য়াম্না হিংলি। হিংলম্বগী উ পাম্বী খরতা ওইরবসু, পাম্বী মচা-মচা খরা ফাওবদি থাবীরম্মু। থাফম লৈত্রবসু বোরাদা থাবীয়ু। লৈবাক লৈত্রগা তুরেলদগী পেকপীয়ু। হোৎনবদা ঙমদবা কনাসু লৈতবনি। মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা বিল্ডিং, মিদ্দল ইষ্ট কন্ত্রি, অরবতা সমুদ্রদা শারিবা অসিনি। খ্বাইদগী মীথোই-মীহেনবনি খঞ্জরিবা মখোয় ময়াম্বু খ্বাইদগী অপীকপা লৈবাক্কী নৎত্রগা লৈকায়গী খরতা ওইরবসু ফগৎনবা হোৎনবা য়াদবরা? সেলফিস ওইরিবা এটিচ্যুদ অদুদগী সেক্রিফাইসিং স্পিরিট ওইবা থম্মোয় ওন্থোকপীয়ু। লায়রবা লৈবাকসি খরদা ওইরবসু ফগৎনবা ঐখোয় পূম্নমক পুল্লগা হোৎনমিন্নসি। ওইরিবা ফীভমসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি।

মীওইবগী মপোকসিদা অৱাৎপা লৈতবা কনাসু লৈতে। মচাশিংগী মরক্তসু মমা নৎত্রগা মপা ৱাৎপা য়াম্না হিংলি। মচাগীদমক্তদি মমা ৱাৎপসি অঙাংশিংদা য়াম্না অৱাবা ওই। মপানা মচাগী অৱাৎপশিংদু লোইনমক খন্থবা ঙমদে। অদুগা মমানা মচাশিং য়োক্লবা হোৎনবদা খুন্নাইসিদা ওন্ন-তৈনবগী ৱাথোক কয়াসু থোকপা য়াওরি। অতোপ্পা নুংঙাইতবা অমগনা খুন্নাইসিদা অহল ওইরবা-ওইরবী কয়াদি নুংশি-চান্ননা পূন্সি লোইরমদাইদা হিংদে। অৱাবা কয়া মায়োক্লরগা হিংমিন্নরকপা পূন্সিদু অহল ওইরগনা হেন্না নুংশিনফম থোকপনি। মদু মফমসিদা অয়াম্বনা ওইদে। য়াম্না নুংঙাইতে।

নোংমা নীনি হেক নোং তারগা লম্বী সড়কশিং ঈশিংনা তুংশিল্লগা লৈরি। নোং তাদ্রগনা উফুল ঙাক্তা ঙাইরি। অকুৎপশিং মতম চানা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মেনশিন্দ্রি। মসিবু করি মরমগীনো? থা ৫/৬ খক চৎনবা, লম্বীদা কোয়লাস থাবসিবু করম্বা লৈবাক্তা চৎনবগে? হন্দক্কী মীতৈ-কুকিগী থৌদোক অসিদা মখোয়না লায়রবা মীয়াম্না ফংগদৌবা ফন্দশিংনা হুরাল্লগা শারম্বা বিল্ডিং কয়া অমা লোইখ্রিবা অসিনি। অদুগা চীংগী লমদা ঠিকাগী থবকশিং পাঙথোক্লবা থল্লম্বা জে সী বি, প্রোপেল জে সী বি, হেভি ভেহিকলশিং, ত্রেক্টরনচিংবা কয়াসু থিবা খঙদনা মাঙখি। তমদা-চীংদা লোইখ্রিবা অয়াম্বসি মপূগী থৌজাল ফংদনা লোন্না লৌখিবশিংদু মীয়াম মমাংদা মৈ ওইনা চাকখিবনা অয়াম্বনি। অদুগা কৈদৌনুংদা অরোনবা হুরানবা থবক হায়বসি খক তৌরোইদবনি।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা নোংজুথা হায়না খঙনরম্বদু হৌজিক্কী মতমদদি সাইক্লোন হায়না খঙনরে। নোং চুবগী মওংসু খেন্নরে। নোংদা অমোৎপা ফত্তবা কয়াসু য়াওরে। অহানবা তারকপা নোংগী ঈশিংদি মুশুক মুরি। ইনভাইরনমেন্টগী ইফেক্টনি। চীংদগী উ তুম্না য়ানখ্রবনিনা লেন্দস্লাইদকী মহুত্তা মদস্লাইদ ওইখ্রে। ঐখোয়না তৌজবদু ঐখোয়না ফংলিবসিনি।

মণিপুরগী এক্সপার্ট, স্পেসিএলিষ্ট হুরানবশিংনা চহী ৩০ হেনবসি লমদম অসিগী ঈরম অমত্তদা ফগৎনবা হোৎনদ্রবনিনা মখাদা ৱাফম খরদং কম্মন সেন্সকী মওংদা থমজরি।

ইম্ফালগী ময়োল ওইরিবা থাংমৈবন্দ, উরিপোক, শগোলবন্দ, কৈশামথোং, য়াইস্কুল, শীংজমৈ, থোংজু, ৱাংখৈ, খুরাইনচিংবা মফমদা লৈরিবা সিনিয়র সিটিজন, য়ুথ ক্লবশিং, মৈরা পায়বী, মীপুম খুদিংমক্লা হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী সিচুএসন, সোসল ক্রাইমশিং, ইকোনোমিক্সতা মরাই চায়থরক্লিবা, লাইনীং-লাইশোন পূম্নমকসিগী মরমদা লৈকায়গী লৈরিবা কম্যুনিতি হোলশিংদা থা খুদিংগী মীয়ামগী মীটিং পাঙথোক্লবা শিন্নবা হোৎনসি। ঐখোয়গী ফগৎনবদি ঐখোয়না শেমগদবনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনচিংবনা ঐখোয়গী অৱাবা তান্নবা মতম লৈতে হায়বদু হঞ্জিন-হঞ্জিন উৎখ্রবনি। ঐখোয়সি কনাগী থৌজালদা হিংবা নত্তে। ঐখোয় থবক কন্না শূরগা নুংঙাইনা হিংসি। মীতোপ্তুগী মতেং লৌবা হৌনদে। অসিগুম্বা থৌরমসি মণিপুরগী মফম খুদিংদা পাঙথোক্লবা হোৎনসি। মীতোপকী থৌজালদগী হিংলিবা হংলাইশিংদগী করিসু আশা তৌবীরুগনু। নোংমদি শোয়দনা শিরগদৌবা পূন্সিসিদা ফত্তবশিংগী অরোইবা মতম অমদি শোয়দনা লাকখিগনি।

চেল্লিবা তুরেল মচাশিংসিগী মপান্দা ৱাশিং থাসি। ৱাদি নোংমদা পুং খুদিংগী ইঞ্চি ২/৩ ৱাংবা হেনগৎলি। নুংতিগী মিটর অমা মখায় ৱাংলি। চহী অমদা ৱাদি মপূং ফাই। তুরেল মপানগী লৈঙোইদু ঈশিংনা চেন্থবসু ঙল্লরোই। ইনভাইরনমেন্টদসু য়াম্না অহোংবা লাক্কনি। অদুগা তুরেলদা ঈশিং কংবা মতমদা তুরেলগী মনুংসি লৈবাক লৌথোকসি। তুরেলশিংসি লুথহনসি। অদুম তৌরবদি নোংজুথাদা ঈশিং পাথররোই। তুরেলদা পোৎ অমত্তা লংথবীগনু। পোৎশিংদু লোক্তাক পাৎতা পৈশিল্লিবনি। লোক্তাক লেক অসি ইম্ফাল এরিয়াদা লৈরিবশিংগী দষ্টবিন নত্তে। লমদমসিদা হিংলম্বগী মদু ফাওবদি তৌবীগনু। অতৈ অতোপ্পা অফবা অমত্তা পাঙথোকপা ঙল্লমদ্রবসু। লোক্তাক লেকতি ঐখোয়না শিখ্রবসু মতুংগী মীরোলগীদমক ফজনা থল্লমসি। হৌজিক লোক্তাক লেকী ফীভম ফৎত্রবনি। মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা ফংদবা সঙাই, মণিপুরগী পোনি কলহৌসি। য়াম্না ফজনা য়েংশিনবগী মথৌ তাই।

মণিপুরগী ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট অসি পুকচেল শেংনা কত্থোকপগী থম্মোয় য়াওরগা ইথৌ পাঙথোকপীয়ু। শোয়রিবা পূম্নমকসি মতম চানা মতুংদা অমুক থোক্তনবা খরতা ওইরবসু হোৎনবীয়ু। হোৎনবদি লেপ্পীগনু। লৈবাক্কী ফগৎনবা হোৎনবীয়ু। নোং তাদ্রগনা ঈশিং পীবা ঙমদবা, অদুগা নোং খরা তারগনা ফ্লদ থোকহল্লিবা থৌদোকসি থোক্তনবা থবক ওইনা হোৎনবীয়ু। হংলাইশিংগী ৱাফমদি থৌওইনা তাবীরুরগনু।

থোং নম্বোনবী হায়রিবসিগী মরমদা চহী ১৫গী মমাঙদা য়াম্না কূপ্পা ইজখ্রবনি। থোং অসিনা ঈশিং চেন্থরকপদা কয়া য়াম্না অপনবা পীরি হায়বদু য়েংশিনবীয়ু। ফোটো অমা য়াম্না চাউনা লৌরগা হেরিটেজনি খল্লগা কদাইদনো থেৎপীরো। মফমগা মতমগা চান্নদ্রে। অৱাবনা হেন্না পীরি। থোং অসিনা অপনবা পীবদগী উরিপোক অমসুং শগোলবন্দগী মীশিংদা অদুক্কী মতিক অৱাবা পীরি। ৱানা হিংলিবা লায়রবা মীয়ামদা হেন্না অৱাবা ওইহল্লি। শেল হুরাল্লগা রিটেনিং ৱাল চনবনা ঈশিং থিংবা ঙম্লোই। তুরেল মনুং লুথহন্দুনা ঈশিংদু জোরো জোরো চেন্থখিনবগী থবকশিং পায়খৎসি। তুরেল মপালদা লৈবীরিবা মীয়ামসু মসি খঙলিবা ঙাক্তনি।

মণিপুরগী 'গ্রীন গোল্ড' পান্নরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীশিংনা পুকচেল শেংনা থবক পায়খৎলম্লগদি উ অচৌবশিং য়াম্না হৌরমগদৌবনি। উ অৱাংবশিংদুগী মহুত্তা মখোয় মখোয়গী ময়ূমশিংদু 'টাজ মহল' দৌনা ৱাংনা-ৱাংনা শারগা হিংলি। মচা-মশুদি অফবা অমত্তা ওইদে হায়বগী খুদম খুন্নাইসিনা উরি। হৌজিক থোক্লিবা পূম্নমকসি ঐখোয় ঐখোয়না থোকহনবা ঙাক্তনি।

ঐখোয় পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা পুল্লপ পূনশিল্লগা শোয়রিবা অয়াম্বসি মতুংগী মীরোলগীদমক অঙম অঙম্বা খরতা ওইরবসু হোৎনরমসি। ইন্দিয়াগী থৌজালদা ঐখোয় পূম্নমক তুফক-তুফাই চন্দুনা অসুম হিংলবদি নোংমদি শোয়দনা খুন্নাইসিগী মরমদা অফবা করিসু ওইররোই। থবক কন্না শূসি। ৱারেম-থৌরেমগী মতম নৎত্রে। ৱাখল খন্থবীয়ু। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১) **"পূন্সি চেঙজেল লোইদুনা লাকপদা**
**কৌবীয়ু নঙনা তরাম তরাম্।।**
**নঙনা শেম্বীবা তাইবঙ ফম্পাক্তা**
**নঙনা তম্বীবা লীলা য়াওরুরে...।।"**
মথক্কী ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি ঈশৈগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। শৈরেংবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) **"নিমাইগী ঈশৈদো"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? কনানা ইবনো?

৩) **"ডা. রাজকুমার বর্মাগী একাঙ্কী খরা"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **"থিয়েটর অমদি সাহিত্যগী ৱারেং খরা"** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **"অঙাওবীদো ঐগী ইমানি"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯০গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
২) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় - (২,৩,৫)
৩) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,২,৩,৪,৫)
৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৬) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (১,২,৩,৪,৫)
৭) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল - (১,২,৩,৪,৫)
৮) চিরোম সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল - (১,২,৩,৪,৫)
৯) লাইশ্রম এলেনা, তোপখোংনাংমখোঙ - (১,২,৩,৪,৫)
১০) তোংব্রম জেমসবোন্দ, তাকয়েল কোলোম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
***১১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪,৫)***
১২) মাইবম কাঙজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯০গী ৱিন্নর*

***থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৯০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯০গী পাউখুম

১) **"সাহিত্যদা রস অমসুং অতৈ নৈন-ৱারেং খরা"** (২০০২) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - অরিবম কুমার শর্ম্মা, অহানবা ফোঙবা : ২৭, জন্যুৱারী, ২০০২।**

২) **"অপাইবা লাইথি"** (২০১২) হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল অইবগী মমিং করি কৌবগে? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - সঞ্জেনবম ভানুমতী দেবী, ওরিজিনেল অইবা - কলভি গোপালকৃষ্ণণ, অহানবা ফোঙবা ২০১২।**

৩) **"মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অইবা - মুতুম রমনী দেবী, খূৎনম : অহানবা ফোঙবা : ২০২০।**

৪) **"রোমারানী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু? **:- অইবা - খাঙেম্বম তোমচৌ, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা : সেপ্টেম্বর ২০২৩।**

৫) **"মমহল্লবা অহিং"** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগীনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা - হরিদাস খোংবান্তাবম, লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা : ২০১৩।**

# ইরমদম কন্দৌরিবা ঐখোয়সি

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -



হূইগা হৌদোংগা শঙ্গ পূন্না নুংঙাইনা লৈমিন্নবা লমদম অমা হায়রগদি ইরৈবাক ইরমদম মণিপুর অসি ওইগনি খল্লি। মরমদি ইরৈবাক মচাসিদা লৈমিন্নরিবা মীওইবা ঐখোয়সি (মরু ওইনা মীতৈশিং অসি) মীতৈলোলদা ইবুংঙো, ইবেম্মা হায়বদা অমত্তা তাদ্রে। মীতৈলোল ঙাঙবদা পাউ ফাওনবা ঙমদ্রে। হেৎ-হা, দুৎ-দা হায়রগা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা পাউ ফাওনরি। য়াম্না ফজবা লোন্দাদা নীংথিজনা হায়রবদা ঐখোয় ময়ামসি হূইদৌনা শিংলে, হৌদোংদৌনা নুংঙাইরে, ষণদৌনা পোত্থারে হায়বনি। হূইগী মথৌদি দেল্লীদা চৎলগা খোংবনি। হায়বদি য়ূমগী মপান্দা কোইচেন চেন্দুনা ইঙ্খোল অকোয়বদা শা-ষণ চঙলকপা ঙাকথোক্লবা হোৎনবনি। হূইনা হৌনা-হৌনা মমায়-মমিৎ শুক্তোক্তুনা ইঙ্খোল শেন্নরবদবু মশা ফবা হুরানবা কনানা থৌনা ফনা ইঙ্খোল মনুংদা চঙলকপা ঙমগদগে। ঐখোয়গী মীহুৎ ময়ামসিনা দেল্লীদা কোইচেন চেন্দুনা মমিৎ-মনা লাউথোক্তুনা হৌনা-হৌনা খোংলম্লগবু কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূমশিং ইরায় লায়না মৈ থাবা ঙল্লমগদ্রা। মীতৈ তানবা ঙল্লমগদ্রা। শুকঙম-ঙল্লম্লোই। হূইদৌনা খোংদৌবা মীহুৎশিংনা হৌদোংদৌনা অমোনবা মফম থি-থিদুনা তূমশিন্নরগা লৈবা। তূমশিন্নরিবা মফমদু চাদ্রে হায়দুনা তাম্থোক্লরগনা মখোঙ খুজিলদু ফন্দোক্লগা খোৎকন্দবগী হোৎনবা। ইঙ্খোল ঙাক্তৌবা হূইনা ইমুংগী ফুঙ্গা লাইরুদা মৈ য়াইরগা তূমদুনা লৈবদগী ইঙ্খোল অকোয়বদা লম্বীদগী শা-ষণ চঙলক্তুনা এঞ্জাং-নাপি লোইনা চাথোক্লেদনা। য়ূমগী ফল্লাংদা মচি ফেংজিল্লক্তুনা য়ূমগী ফল্লাং হোরেদো।

ইমুংদা লৈবা ঊচিশিংবু তান্না তান্নদুনা ফারগা কোৎতা থম্বা ফৌ ঙাকথোক্তৌবা হৌদোংনা ইমুংদা হূই কুনশিল্লকপদৈ থোঙ্গান মচিদা কুল্লগা মীতোপ চঙলকপদা হূইগী মহুৎ শিল্লগা খোংলে। হৌদোংনা খোংবদি হূইদৌনা হৌদবনিনা মীনা কিবা মখোল ওইদে। তানীংদবা মখোল ওই। ইরমদমসিগী লৈঙাক পায়বশিংনা দেল্লী লৈঙাক্তা হৌনা, কন্না হায়দৌবা ৱাদু মীওই খরনা মরন্নাই শেল পুথোক্লরগা এরোপ্লেন টিকেট কক্তুনা দেল্লী লৈঙাক্তা মণিপুরসি শিদোরে হায়দুনা মে-মে হায়রুবদুদি থোঙ্গালদা হৌদোং খোংবা মান্দুনা ওন্থোক্লা তানীংলম্লোই। তাদবদুননি করিম তৌরক্ত্রিবা। হূইনা খোংদৌবদা গধানা খোংবা হায়নবদু খজিক্তং শোয়নরগসু-হূইনা খোংগদৌবদা হৌদোংনা খোংবা হায়বদু তারে। হৌদোংনা ইমুংদৈ মপান থোক্লগা হৌনা খোংববু মীনা কিগদ্রা। হৌদোংনা ইঙ্খোল অকোয়বদা চৎতুনা সুম খোংলবা, ইঙ্খোল ৱাংমা লান্না খোংখ্রবদি ইমুংদা ঊচি মখেল লাংবা তাবনি। ইমুংদা লৈবা হূইনদি ঊচি ফাবা হৈতবনিনা ইমুংদু ঊচি মখুল মথং-মথং হুৎলকপা তাবনি। হৌদোংদি য়ূমলৈমনি। ইঙ্খোল ঙাক্তৌবা হূইনা ইমুংদা চঙলকপদা কিদুনা মপান থোক্কদবা নত্তে। মায়গা-মায়গা, মীৎকা-মীৎকা চানদুনা খূৎশাগী খুজিল ফন্দোক্লগা মমায়দা খূৎপাক্লা থাদুনা তাম্থোক্কদবনি। হৌদোংনা ইমুংদা ফাদৌবা ঊচিদু হূইনা ফারনি হায়বদা য়ারোইদবনি। দেল্লীদা চৎলগা খোংদৌবা মোইনা মণিপুরদা কুল্লগা লৈরিবসি চৈ পায়দুনা তানগদবনি। ইয়ূম ইঙ্খোলদা লৈদুনা মচা মনাও কয়াগা তুংগী লম্বী চৎচনবা শেমজ-শাজগদৌবা মীচম মীয়াম কয়ানা ইরৈপাক ইরমদম কন্ননবা খূৎতা নোংমৈ পায়রগা সড়ক্তা গাড়ী তোংদুনা লানগী লাল্লাও লাউরিঙৈদা অঙাং নহা মখৈদি মরূমদা মাবা হায়বদু ওইদুনা মণিপুরসি অপুম্বা ঙাক্তা ঙাইদৌরি।

হূইনা ইমুংদা, হৌদোংনা লমজাওদা থোক্তুনা লৈখিবদৈ ষণনা এঞ্জাং মথেল ওইনা কৈথেলগী হোটেলদা চানরকখ্রে। লৈঙাকপনা মথৌ খঙলক্তদুনা লৌবুক মাঙখ্রে। য়ূম পুগদবনা লৈবাক ঙাকখ্রে। মতাং অসিদদি লৌ লীংদৌবা, ইঙ্খোল কোইদৌবা নুপী মখৈ শোকা শান্নদুনা, লুদো খাওদুনা য়ূম শঙনরে। অসুম্না ঐখোয়না হৌজিক নুঙাইনা হিংলিবসি মমাঙঙৈগী অহলশিংগী মতমদা খঙজবা নত্তে। মখোয়গী মতমদদি হূইনা থোঙ্গালদা কুল্লি। ষণনা শম্পোৎ খোই। হৌদোংনা ঊচি ফাই। অদুনা য়েক্লবনা লাকচবা য়াদে। হয়িংখোইগী খোইরা লোক্ত্রিঙৈদা খোইনা চিক্তনবা ফিজোল শেৎলি। হৌজিক্কী লৈঙাক্লা কুকি ঙাক্লবা ফিজোল শেৎত্রিঙৈদা কুকি মহুম থুগাইরুই। মমাঙঙৈগী অহলশিংনা লম্বী মপালগী খোংবান চহী খুদিংগী তৌদুনা ৱাপন থোল্লগা উশোই চোংলকপদু উটি থোংদুনা হাওনা চাই। হৌজিক হিংলিবা ঐখোয়না চহী খুদিংগী খোংবান ফুনজিন্দুনা নমথীবা মনম চারি। নালাদগী পাথোরকপা ঈশিংদা হিংলি। ●

# ৱর্ল্ড নো টোবেকো দে (মে ৩১, ২০২৪)

## থিম : 'প্রোটেক্টিং চিলদ্রেন ফ্রোম টোবেকো ইন্দষ্ট্রি ইন্টরফেরেন্স'

— ডা. কে এস ঐচ কলা —
হার্ট সর্জন
প্রসিদেন্ট, দি মণিপুর হার্ট ক্যের সোসাইটি, ইম্ফাল

*"আই ৱিল নেভর টেক টোবেকো ইন এনি ফোর্ম অদর দেন এদভান্স এজ, স্মোকিং রিমেন্স দি সিঙ্গল মোষ্ট ইমপোর্টেন্ট রিস্ক ফেক্টর ফোর কোরোনরি আর্টরি দিজিজ"*

ঙসি মে থাগী তারিখ ৩১ অসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ৱর্ল্ড নো টোবেকো দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লরি। মসি য়াম্না মরু ওইবা থৌরমনি। করি মরমগীনো হায়না ময়াম্না তোয়না হংবসু য়াওই। ঙসি ঐখোয়গী লমদম ইমা লৈবাক মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা অমসুং মালেমগী মফম কয়ামরুমদা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অমদি পোত্থোকশিং অসি নোংম-নোংমগী শীজিন্নবগী চাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

মালেমগী মফম খুদিংমক্তগী ইন্দিয়ানা টোবেকো শীজিন্নবগী চাংসি য়াম্না কা হেন্না ৱাংই। চাওরাক্লা ইন্দিয়াগী মীওই মিলিয়ন ২৭৫ রোম্না হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নৈ।

গভর্ণমেন্ট, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, এন জি ও, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অসিনচিংবনা হীদাক মনা শীজিন্নদুনা লো অমদি চৎন-কাঙলোন কয়ামরুম তোয়না শেমদুনা মীপূম খুদিংমক্তা য়ৌনবা অমদি খঙহন্নবনা পাউচেদা, রেদিওদা, ইন্টরনেটতা অমদি তোঙান তোঙানবা পাম্বেগী মতেংগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী লাউরি অমদি ফোঙলি। অদুবু কান্নবদি কয়া ফংবা ঙমদে হায়না লৌবা য়াই।

হন্দক্কী চহীগী থিমদি 'প্রোটেক্টিং চিলদ্রেন ফ্রোম টোবেকো ইন্দষ্ট্রি ইন্টরফেরেন্স' নি। মসিগী থিমসিনা তাকপদি ঐখোয়না অঙম্বা পাম্বে পুথোক্তুনা অঙাংশিংবু অমদি চাওখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অমদি পোত্থোক ময়াম, টোবেকো ইন্দষ্ট্রিনা পুথোক্লিবা ময়ামসি শীজিন্নবা থিংবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়বনি। মরু ওইনা চহী ১৩-১৫ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংসি টোবেকোগী পোৎলমশিং অসিদগী থাপ্না লৈহনবা অমদি শীজিন্নহন্দবা হায়বসি মায় পাক্না হোৎনমিন্নসি হায়বনি। টোবেকো ইন্দষ্ট্রিনা মখল মখা কয়ামরুমগী ওইদবা ঙাঙবা, ওইদবা শন্দোক্তুনা শেল তান্নবা লম্বেল কয়ামরুম পুথোক্তুনা নহারোলশিংবু ফানবা হোৎনৈ অমদি মখোয়না পুথোকপা টোবেকোগী পোৎলমশিং অসিনা মীওই কয়ামরুমদা ফংহন্দুনা অৱাবা তাহল্লি। অসিগুম্বা টোবেকো ইন্দষ্ট্রিগী ফৎত্রবা পোৎলমশিং অসি থিংবা তাবনি অমদি চৎনহন্দনবা হোৎনগদবনি। টোবেকো ইন্দষ্ট্রিনা চহী খুদিংগী য়াল্লবা শেনফম কয়ামরুম মীয়ামদগী লেপ্তুনা খোমগৎলি। মখোয়গী পোৎলম ময়ামসি য়াম্না লায়না কৈথেলদা ফংহনবা অমদি য়োলহনবা অসিনা নহারোলশিংনা শীজিন্নবগী চাংসি ৱাংলিবনি। অদুনা গভর্ণমেন্ট, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, এন জি ও ময়ামসি পূন্না হোৎনমিন্নদুনা থিংবা ঙম্নবা হোৎনবীগদবনি। মালেমগী ওইনা মিলিয়ন ৩৮ রোম নহা ওইরিবা মীওইশিং চহী ১৩ অমদি ১৫ রোমদা লৈবনা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নরি। ইন্দিয়ানা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নরি। ঐখোয় ময়াম্না মসি থিংবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি।

হীদাক মনাগী মশাদা য়াম্না ফৎত্রবা পোৎলম কয়ামরুম য়াওরি। শম্না হায়রবদা নিকোটিন, তার, বেনজে াপাইরিনি, কার্বোন মোনোসাইদ, এর্জেনিক কেডয়িম, এমোনিয়া টর্পেন্টদ, মেথোপ্রেনত্রসিতেৎ, লেদ প্রোপাইসিন, গ্লাইকোল অসিনচিংবনি। হীদাক মনা, টোবেকোগী পোৎলম ময়ামসিনা হকচাংদা চঙখ্রবা মতুংদা ফত্তবা কয়ামরুম থোকহল্লি। অসুম্না মীওইবগী পূন্সি অসি মতম শাংনা নুংঙাইনা হিংবা ঙমদে। অদুনা নহারোলশিংনা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নরবদি মখোয়গী মশাদা নুংঙাইতবা লায়না ময়ামগী লৈফম ওইরকপা য়াই। শম্না হায়রবদা এদিক্সন, দিপ্রেসন, এনজাইটি, ওরেল কেন্সর, থবোম্বীগী কেন্সর, থম্মোয়গী অমদি ঈগী উতোংশিংগী লায়নাশিং মরু ওইনা এথেরোস্কে লোরেসিস, হাইপরটেন্সন, হার্ট এটেক, এনুরিজম, পেরিফেবেল ভাস্কুলর দিজিজ অমদি এরিএমিয়া অসিনচিংবা থোক্লকপা য়াই।

অসুম্না নহারোলশিংনা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নরবা মতুংদা মখোয়গী মশাদা ৱাখল লায়নাদা নত্তনা মখল মখলগী লায়না কয়ামরুম লৈরক্তুনা মপূন্সি অসি খাঙুথক্তা লোইখিবা য়াই। অদুনা মখোয়না হীদাক মনা শীজিন্নবা শুংতৌ তৌহল্লোইদবনি। মসি ঐখোয় ময়াম, গভর্ণমেন্টকী মীওইশিং, সিভিল সোসাইটিগী মীওইশিং, এন জি ওগী মীওইশিং, মীদিয়াগী মীওইশিং, লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংনা মখল মখা কয়ামরুমগী কাঙলোন পুথোকপীদুনা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবা থিংবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি।

নহারোল অসিনা তুংগী ফূরুপকী য়ূম্বী ওইগদৌরিবনি অমদি সোসাইটি অসি শেমগদৌরিবনি। অদুনা মখোয়সি অফবা অমদি অচুম্বা লম্বেলদা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিনা ঐখোয় ময়ামগী ইথৌনি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, লৈকায়গী মীওইশিং, সিভিল সোসাইটিগী মীওইশিং, এন জি ও, ক্লব, এদ্যুকেসনিষ্ট অমদি ব্যুরোক্রেট ময়াম্না চপ চাবা থৌদাং লৌবীদুনা নহারোল খুদিংমকপু হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অমদি পোত্থোকশিং ময়ামসি চহী নৌরিবা মীওইশিংদা অমত্তা শীজিন্নদনবা পাম্বে, লম্বেল অমদি থৌরাং পুথোকপীয়ু। মসি ওইরগদি নহারোলশিং অসি তুংগী ফূরুপকী য়ূম্বী ওইবা ঙমগনি অমদি নুংঙাইবা সোসাইটি অমা ওইগনি।

***'দি ৱর্ল্ড সফর এ লোট, নোট বিকোজ ওফ দি ভাইওলেন্স ওফ বেদ পিপল, বট বিকোজ ওফ দি সাইলেন্স ওফ গুদ পিপল' - নেপোলিয়ন*** ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।